# ইচং থৌবী লষ্ট, কোসন ফিল্মগী চাইনিজ এক্ট্রেস টাঙ ৱৈ

*- নানি -*

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ওস্কার এৱার্দ কয়ারক ফংখ্রবা মমিং লৈরবা দিরেক্টর অঙ লীগী খ্বাইদগী মমিং চৎখিবা লষ্ট, কোসন (২০০৭) হায়রিবা ফিল্ম অসিদা ম্যেন এক্ট্রেস অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবী টাঙ ৱৈগী মথৌনা কয়া উবা ফংনখ্রে। ফিল্ম অসিদা সেক্স্যুএল পর্ফোর্মেন্স সিন অহুম য়াওরি, মদুগীদমক চাইনা গভর্ণমেন্টনা টাঙ ৱৈবু বেন তৌখি। অদুবু ফিল্ম অসিদা টাঙ ৱৈদি মালেমগী থাক্তা পীবা মশীং নাইদ্রবা মনা কয়া ফংখি অমদি নোমিনেসনসু মশীং য়াম্না ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০০৪দা চাইনাগী মহুৎ শীন্দুনা মিস য়ুনিভর্সকী লমজেলদা ফাইনেলিষ্ট চঙবা ঙমখিবী টাঙ থোইদোক্লা ইন্টিলিজেন্ট য়াম্না ওইবা, মশক মতৌসু অসুক্কী মতিক চঙখোনবী এক্ট্রেস অমনি।

মহাক কুমজা ১৯৭৯গী ওক্টোবর থাগী ৭তা Wenzhou, Zhejiang, China দা পোকখি। মশাগী চহী ৪০ শুরবী এক্ট্রেস অসিনা মহাক্কী করিয়র অমা শেম্নবা হোৎনরকপদা থেংনখিবা অৱা নুংঙাই কয়াগী ৱারী খরদং মীয়ামদা থমজনীংবদগী ৱারেং অসি ইজরিবনি। ফিল্ম অদুক য়াম্না কূম্বা অমদি নৎত্রি, অদুবু মহাকপুদি খঙদবা চাইনাদা থোইনা লৈতে। হৌজিক ফাওবদা কুমখিবা ফিল্ম খরগী মমিং পনবা তারবদি -**Lust, Caution, Crossing Hennessy, Late Autumn, Dragon, Finding Mr.Right, The Golden Era, A Tale of Three cities** অমদি **Book of Love** হায়রিবশিং অসিনি। টাঙগী মমাসু অদুক য়াম্না মমিং চৎপী নৎত্রবসু এক্ট্রেস অমা ওইরকখি, অদুগা পেন্টর অমসুনি। মমাগী পামজবা অমদি নীংজবা অদু মচাগী হাক্তক্তা ফংবনি হায়না হায়নখি। মমাগী অপাম্বা অমদি মহাক মশাগীসু অপাম্বা অমা ওইনা টাঙ লাই য়েকপা নিংথিনা তম্লকখি। মহাক্কী পেন্টিং ময়াম অমসু লৈ। এগজিবিসন কয়াদসু মহাক্কী পেন্টিং শরুক য়াখি। মহাক্কী স্কুলগী ওজানসু মহাক অসি অফবা স্কুলগী শান্নরোয় অমা ওইবতা নত্তনা অফবা মহৈরোয় অমনি, মরমদি মঙোন্দা পীখিবা হোম ৱর্ক খুদিংমক য়াম্না নিংথিনা তৌরকই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

তশেংনমক্তি মহাক এক্ট্রেস অমা ওইনা ফাওবা পামজরকখিবা নৎখিদে। মহাক্না হেক পামজবদি অর্কিওলোজিষ্ট নৎত্রগা উকিল অমা ওইবা পামজখিবনি। অদুবু মহাক্না ফিল্ম অমদি ইন্টরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রিদা চঙখিবদি কুমজা ১৯৯৭তা মোদেল অমা ওইনা মমান্নবীশিংনা হায়বদগী শরুক য়ারুবদগীনি। মদুনা ইনফ্লুয়েন্স পীরগা মহাক সেন্ট্রেল একাদেমি ওফ দ্রামাদগী কুমজা ২০০২দা গ্রেজুয়েসন লোইখি। মসিগী মতুংদগী মহাক্কী মফম অমা থিনবা হোৎনরকপদা টি ভি সেরিজ দ্রামা কয়াদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। ইহান হান্না টি ভি সেরিজ দ্রামাদা কুম্লকখিবা অসি **Policeman Swallow (2004)** হায়বা অসিদনি। মসিগা লোয়ননা **Che Guevara (2004)** হায়রিবা অসিদসু মহাক মপূং ওইবা রোল লৌদুনা শরুক য়ারকখি। অসুম্না **Leaving Seafront Street(2005), East Meets West (2005)** অমদি **Born in the 60s (2006)** হায়রিবশিং অসিদা মায় পাক্লা কুমখি। কুমজা ২০০৬তা বিগ স্ক্রিনদা খোঙদাবা হৌরকখি। মহাক্কী ইহান হানবা ওইনা খুদোংচাবা ফংখিবা অসি **Lust, Caution (2006)** হায়বা ফিল্ম অসিগী মরু ওইবা রোল কুম্নবা দিরেক্টর অঙ লীনা এক্ট্রেস থিবা হৌরকখি। রোল অসিগীদমক চাইনিজকী মশীং য়াম্লবা এক্ট্রেস কয়ানা এপ্লাই তৌনরকখি। তশেংনমক্তি মহাক্না এক্টিং তম্লকখিবা সেন্ট্রেল একাদেমি ওফ দ্রামাগী প্রোফেসর ষ্টান লাইনা মহাক্কী মরুপ অঙ লীদা টাঙবু ইন্ত্রদ্যুস তৌখিবনি। চাউরাক্লা তোঙান তোঙানবা এক্ট্রেস লিশীং তরাদগী মহাকপু খনখিবনি হায়না দিরেক্টর অসিনা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবা লৈখি। রোল অসিগীদমক টাঙনা Suzhou অমদি Shanghainese ফুরুপ অনীগী লোন ঙাঙবা তমখি। লোয়ননা ফুরুপ অনী অসিগী ফিজেৎ লৈতেংং লোয়ননা পুন্সি মহিং, চৎনবী, কলচর খঙনবা য়াম্না কন্না ত্রেনিং তৌখি। মতম য়াম্না চঙনা ফিল্ম অসিগীদমক মহাক কন্না হোৎনখি। ফিল্ম অসিনা রিলিজ তৌরক্লবা মতুংদা মহাক্কী মমিং অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না চৎপা হৌখি।



ফিল্ম অসিদা য়াওবা সেক্স্যুএল এক্ট খরনা মরম ওইদুনা China's State Administration of Radio Film and Television (SARFT) না ওর্দর অমা থোক্তুনা ফিল্ম অসি চাইনাদা উৎপা য়ারোই হায়না মীদিয়াদা বেন তৌখি। মসিনা মরম ওইদুনা টাঙনা হান্না কুমখিবা টি ভি সেরিস কয়া অমসু থিংবিখি। নীংবা কায়খিবা টাঙনা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অদুবু শিংনরুবা তৌদনা তুমিন্না লৈখি। **The Warrior and the Wolf** হায়বা ফিল্ম অমা মহাক্না কুমগদবদু অথিংবা অদুনা মরম ওইদুনা Maggie Q না মাগী মহুৎ শিনখি। লষ্ট, কোসন হায়রিবা ফিল্ম অসিদা টাঙ ৱৈনা মালেমগী থাক্তা পীবা মনা কয়া ফংবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা - Chopard Trophy for Best Actress (Cannes Film Festival),New Weekly Cutting Edge Awards List, Chinese Film Award for Best Actress, Los Angeles Magazine Award for Best Actress, Asian Pacific Film and TV Expo for Best Actress, Hollywood Awards for Best Actress and Variety, Venice Film Festival for Best New Actress, Golden Horse Awards for Best New Performer,Nominated - Asian Film Awards for Best Actress, Nominated - Rising Star Award, BAFTA, Nominated - Chicago Film Critics Association Awards for Most Promising Performer, Nominated - Golden Horse Awards for Best Actress,Nominated - Independent Spirit Award for Best Female Lead হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই। অদুবু মহাক্না মীদিয়াগী মাঙদা থৌরম অমদা নাকোয়ননা ফোঙদোকখি- *"এক্টিং হায়বা অসিদি অমনা হেক্তা তৌবা য়াবসু নত্তে, মসিদি কথোকপা অমদি থম্মোয় শেংবা অমা মথৌ তাই। মমিং লৈবা ষ্টার খুদিংমক অফবা এক্টর অমা নত্তে। অফবা এক্টর খুদিংমক্লসু অফবা ষ্টার অমা ওইবা ঙমদে। মসিদি মহাক মশা অদুগী অরোনবা অমদি ফোঙদোক্তবা পূক্নিং ইথিল অদুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মতমদা লেপকদবনি"*। মহাক্কী অথিংবা মতম অসিদা টাঙ ফিল্মদা তুমিন্না লৈজরবসু তম্বগী লম্‌দদি তুমিন্না খক লৈথোকখিদে। দ্রামাগী ক্লাস কয়া য়ুনিভর্সিটি ওফ রিদিং, য়ুনাইটেদ কিংদমদা মখা চত্থদুনা তমখি। চহী খরা মহাক লন্দন্দা লৈখি, চাইনাদা হল্লকখিদে। মতম অদুদা সাউথ কোরিয়াগী দিরেক্টর Kim Tae-Young না মহাক্কী অনৌবা প্রোজেক্ট **'লেট অটম'** হায়বা ফিল্ম অসিগী এনগেজ তৌরকখি। ফিল্ম অদু লন্দন্দা শুটিং তৌবদা য়ানদুনা শুটিং হৌখি। লোয়ননা কুমজা ২০১০দা পুথোরকখি। ফিল্ম অসিগী শরুক অয়াম্বা য়ুনাইটেদ কিংদম ৱাশিংটন্দা নমখি। **লেট অটম**গী দিরেক্টর Kim Tae-yong গা লোয়ননা কুমজা ২০১৪গী জুলাই ১২দা মমিং লৈরবা মতম অমগী মালেম শিনবা থুংনা ফাওরিবা ফিল্ম মেকর Ingmar Bergman গী য়ূমগী শুমাংদা মখোয় অনী লুহোংখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৬তা মখোয়গী অহানবা মচানুপী অমা ফংজখি।

মসিদা নত্তনা Policeman Swallow হায়রিবা অসিদসু CCTV Movie Channel Award for Outstanding Digital Moview Actress ফংখি। লেট অটম হায়রিবা অসিদা Baeksang Arts Awards for Best Actress (2011), Busan Film Critics Award for Best Actress (2011) লোয়ননা Crossing Hennessay ফিল্মদা Best Actress for China Film Media Awards (2011) ফংখি। লোয়ননা অতৈ নোমিনেসন কয়া অমসু চঙবা ঙমখি। মদুদি লোইনমক পঞ্জদ্রে। তশেংনা মায় পাক্লবী এক্ট্রেস অসি মহাক্কী ফিল্মগী লাইন অমদা মহাক্কী অনীংবা অপাম্বা অমদি নুংগী ওইবা দিরেক্টর ভিয়ু কয়া অদু উবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা মশাগী মরৈবাক ফাওবা থাদোক্তুনা চহী কয়া ময়ূমদা হল্লক্তনা লৈখিবী এক্ট্রেস অমনি। মহাক্কী করিয়র অসি শেম্নবা হোৎনবদা অঙকপা অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লবী এক্টেট্রস অসিগী মখা তাবা করি থৌদাং লাকখিগদগে হায়বদুদি ঙাইখিবা তারি।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩। ০৮। ২০২০ ইং, নোংমাইজিং; লাংবনগী ৫নি পানবা।

**মেষ:** থোইদোক হেন্দোক্লা নিংবা থুংই, শেন্দোং অমদি মরুপ মপাংগী মতেং য়াম্না ফংগনি। লম অয়াম্বদা মাই পাক্কনি। খুদোংচাবা মাংহনগনু, খুৎচাও থাহৌরো।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ:** মতম মাংবা ফরনি, হকচাংসু নুংঙাইবা হেল্লনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংলনি অমদি য়েক্লবা ময়েং তারনি। হুরানবনা মীতাবা মরুপকা নুংঙাইনদবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন:** লাইবক পবদি ৱাৎলি। হোয়া ফবা মতম মাংদুনা তোক্কনি। অদুবু ইচং থৌবা অমদি কিদবা হাইবা অনিসিনা ওইজ-ওইথক অমদি শেল-থুম ফংনবা উপাইনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নিংহন্নগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা।

**কর্কট:** য়াম্না ঙন্না অফবা খোংশাল লৈগনি অমদি অশা চাওগনি। তন্থগনু থৌনা ফুদোকউ। মদুতনা থৌ পাংনবগী লম্বীনি। পুক্নিং নুংশিবা নংদনবা য়েৎনরুনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাংতক্লগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/হিগোক।

**সিংহ:** চাওনা মাই পাকচরনি। মতম মাংহন্দনা লৌশিং ফুদোক্তুনা অমদি মীয়ামগী মতেংনা অনিংবা অফবা থবক পাংহৌরো। থাজদবা ওইজবসু ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফরনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কন্যা:** য়াম্না ঙন্না অফবা খোংশাল লৈ। হাইজ-চৎচবা কান্নগনি, লেংদবা লন তানশিনবা য়াগনি অমদি মীয়ামগা লোইনবা থবক মাই পাক্কনি। নাপল তৌরদি কাইননি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**তুলা:** ইমুং-মনুং অমদি নচাক নরলগী লমদা খোইরাংবা খরা লৈরসু নিংবা থুংগনি, লাইবক ফৈ অমদি ঙাংথোকপদা মী শুন্বতা নত্তনা শেল থুমগী ওইজবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পুক্নিং পেঞ্জগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** লৌশিং চাওবা নুমিৎনি অদুবু চরাংনবদি য়াদে। অদুনা খন্থরগা থৌ পাংউ। মীনা থাগপিবা লৈগনি অমদি লন তানশিনবা য়াগনি। মরুপ লোইনবসু কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পুক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**ধনু:** থবক পাংগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি শেলথুমগী লমদা চাওনা কান্নগনি। নাপল অমদি ঈরাং পুবদি তৌগনু। ঙসিসু অখং অহৈগী পাউতাক লৌবদি ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা/চেং।

মকর: মীপাইরম্বা কোকচরনি, ইমুং মনুংগী ৱা তাবনা থৌ পাংগনি। ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না লৈরনি অদুনা অনৌবা থবক পাংবা ফগনি। ফিংগনু অমদি ইচং থৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কুম্বা:** য়েক্লবনা য়েংশিনবা অমদি নিংবদুমক পাংবা ৱাবা লৈগনি। খাংবা কল্লু অমদি অরং অরাক চেকশিল্লু। থৌনা লৈয়ু, হান্নাগী নিতি কাইগনু, নংগী মী লোইনৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱা ঙাংদবনা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন:** য়াম্না ঙন্না লাইবক পবা খোংশাল লৈ। অফা অপুন কোকচরে অমদি থিবা হুম্বা কনবগী ওইজবা ফংজৌ হাইবা নুমিৎনি। হকচাং অমদি মরুপ লোইনবদি চেশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মীৱাদতি লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



*অঙাং অমনা মহাক্কী এগজামগী রিজল্ট পুদুনা লাক্লম্মী অদুগা মপাদা হায়,*
বাবা অদোম য়াম্না লাইবক ফবা মীশক অমনি।
**মপা :** করমহাইনা ইবুংঙো?
**মচানুপা :** বাবা ঐ এগজাম ফেল চৎলে।
মরম অদুনা বাবানা ঐগীদমক অনৌবা লাইরিকশিং শেল তিংদুনা লৈদ্রবসু য়ারনি।



---

*হামেং য়োনবা দুকান অমগী মনাক্তা হামেং অমা মে-মে খোংলদুনা লৈরম্মী, হামেংনা খোংবা অদু তাবদা মোনুনা চঙশিন্দুনা দুকান মপু অদুদা হংই-*
**মোনু :** হামেং অসি করিগী অসুক কন্না মে-মে খোংলিবনো?
**দুকান মপু :** হামেং অসি অতোপ্পদা য়োনগে তৌবনি অদুনা খোংলিবনি।
**মোনু :** ও ! ঐদি স্কুলদা চৎলু হায়বগী কপ্পা মাল্লুরে।

---

**ওজা :** নঙ য়াম্না পঙবা অঙাংনি, ঐদি নঙগী চহী মতাংদা লাইরিক ফজনা পাবা ঙমখি।
**মহৈরোয় :** লাইবক ফবা হায়বদুনি! অদোমদি মতম অদুদা অফবা ওজা অমা শোয়দনা ফংখিবা ওইরমগনি।



---

**ওজা :** ভেরি গুদ তোম্বা, ঐ য়াম্না নুংঙাইরে নঙনা মার্ক য়াম্না ৱাংনা ফংবা উবদা। তুংদসু অদুমক মার্ক ৱাংনা ফংনবা হোৎনৌ।
**মহৈরোয় :** ওকে সার, ওজানসু ক্বেসন পেপর নম্বদু অদুমক তোম্বা হোয়গী প্রেসতা নম্বিয়ু।

---


**মেদাম :** রোহন, করিগুম্বা নঙগী কোমলা ১৫ লৈরিবদুদগী তোম্বিদা কোমলা ৬ পীখ্রো, ৪না সুনিতাদা পীখ্রো অমদি ৫না দোলিদা পীখ্রে অদু ওইরবদি নঙগী ননাকতা কোমলা কয়ালেমহৌগনি।
**মহৈরোয় :** ওজা ! ঐগী নাক্তা অনৌবা নুপী মরুপ ৩ লৈহৌগনি।




---

*মহেসনা মহাক্কী মরুপ চাওবদা হায়- চাওবা! নঙগী সাইকলদো ঙাইহাক ঐঙোন্দা পীয়ু।*
**চাওবা :** য়ারোই।
**মহেস :** নঙনা ঐঙোন্দা সাইকল পীদ্রবদি ঐগী কোক শাগৎলক্লগনি।
**চাওবা :** য়াম্না থুনা পাউখুম পীরকই- কোক ইংথনবা আইসক্রিম চাও।

☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title : Tortoise
By : Arnika Wahengbam
Class : I Sec : B Roll No. 49
School : Shilleima English Academy




Title : Drawing
By : Bindya Yumnam
Class : II Sec : D Roll No. 45
School : Kids' Foundation



Title : Kungfu Dhamaka
By : Bredlu Phijam
Class : III Sec : B Roll No. 6
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : Pencil
By : Ishikan
Class : ISec : Diamond Roll No. 19
School : Kids' Foundation




Title : Teddy Bear
By : Lemba Karam
Class : III Sec : Roll No. 16
School : Premier English Academy



Title : A Scenery
By : Paikhomba Huibrom
Class : III Sec : Roll No. 01
School : Uchiwa High School (Aided)



Title : Flying Kite
By : Phireppa Wahengbam
Class : ISec : Diamond Roll No. 1
School : Kids' foundation



Title : Arrowman
By : Th. Aditya Singh
Class : V Sec : Roll No. 34
Address : Sekmaijing Shangam, Mayai Leikai



Title : Scenery
By : Bellicoff Singh
Class : V Sec : B Roll No. 29
School :